# কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অমদি মণিপুরগী আর্টিষ্টশিং

- নানি





*“Art enable us to find ourselves and lose ourselves at the same time”* – *Thomas Merton.*

ব়াফম অসি কয়াদা চুমখ্রবনো? আর্টকী ফজবা মশক অমনা পুন্সি অমবু, খুন্নাই অমবু চেকশিন্না তাশিন খোমজিল্লি। নৎত্রগা ব়াহন্থোক লান্না হনবা য়াবা অমা য়াওবদা কাং-খোং চাইহল্লি। খ্বাইদগী ব়াথোক চাউবসু আর্টনি, মসিবু মথৌ ওইরিবা আর্টিষ্টশিং অমদি পুথোক্লিবা আর্ট অদুগা মরী লৈনবা পূন্নমকশিংগী লাইবক থীবনি। ফজরে- ভালো, থীরে নৎত্রগা শোয়রে - মানা তৌববু কয়া য়াম্না নাতে চানেগে হায়বা ব়াহৈ অসি হায়রিবনি। অদুনা আর্ট তৌরিবা খুদিংমক্না য়াম্না চেকশিন্নে। নাক-য়েৎ য়েংদুনা হৌখিবা, ওইরিবা অমদি লাক্কদবা মতম কয়াগী ঈচেল অদু তৎহন্দনা অহিংবা মীয়ামদা অনৌবা ব়াখল্লোন অমা পীনবা হোৎনবগা লোয়ননা, ঐখোয় ঐখোয়গী পুন্সিবু মশক খঙনবা হোৎনরি। আর্ট হায়বা অসিগী মতিক-ময়াই খঙদনা আর্টিষ্ট ওইরুবশিংসু করিগুম্বদা অশোয়বা অমদা মখোয়গী আর্টিষ্ট অমা ওইবগী ময়াই অদু ইরায় লায়না চমহল্লি। অদুননি আর্টিষ্ট অমা ওইগে হায়বা তারবদি মসিগা লোয়ননা মথেল কয়াগী মনুংঙাই অমা হাপচিন্দুনা ব়াখলবু তগৎ-তগৎ তেকহল্লি। অয়েংবা পূন্নমকশিংদা আর্ট হায়বা অসিনা মান্ন-মান্নদবা ব়াখলগী পরিং অমমম তিংবীদুনা তোঙান-তোঙানবা মহাওশিং পীরিবনি। মদুনা অয়েংবশিংনা মখোয়গী পূক্নিংদা ফাওরিবা কয়া অদুগা লোয়ননা নুংঙাইবা ফংলি। অমরোমদা খুন্নাই অমগী মাঙথরক্লিবা মশক, সোসল সিষ্টম, এদ্যুকেসন সিষ্টম, হ্যুমেন মেন্টেলিটি, বিহেবিয়রস, কলচরেল, হিষ্ট্রি, পূন্নমকশিং অসি পর্ফোর্মেন্স প্লে অমনা অমদি ইমেজিং প্রদক্সন (ফিল্ম আর্ট) না মীয়ামদা মপূং ফানা উৎলি। মদু য়েংলবা অমদি তারবা মতুংদা মখোয়গী পূক্নিংদা অনৌবা ব়াখল্লোন অমা মদু শেমদোক শাদোকপগী অমদি অনৌবা অলটর্নেটিভ ব়াখল্লোন অমা পীনবা হোৎনরি। প্লে অমনা খুন্নাইদা, লন্নাই মীওই অমদা অনৌবা পুন্সিগী মায়ওন অমা পীবা ইরায় লায়না ঙম্মী। অদুনা পার্ফোর্মিং প্লে অমা হায়বসি পুন্সিদা য়াম্না মরু ওই হায়না লৌনৈ।

মণিপুরদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা মখল কয়াগী পার্ফোর্মিং আর্ট কয়া মরাং কায়না লৈরকই। পার্ফোর্মিং আর্ট খুদিংমক্কী চন্নফম ঐখোয়গী খুন্নাইগী পুন্সিরোলদা লৈরকই। অদুনা আর্টিষ্টশিং অসিগীসু চপ চাবা মথৌ মঙমশিং পাঙথোক্তুনা মীয়ামগা লোয়ননা তিন্নদুনা মহাক্কী আর্ট অদুবু য়োখৎপা লোয়ননা হিংনবগী মচাক অমসু পীদুনা লাক্লি। পার্ফোমিং আর্টসি ঐখোয়না মীৎয়েং খরদা অমদি মখল খরদা য়েংবা য়াই। লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা অমদি খুন্নাই মীয়ামগী পুন্সিগী তাঙ্কক কয়াগা মরী লৈনবা পার্ফোর্মেন্স ওইনা ঐখোয়না য়েংবা য়াই। লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবদা - লাই হরাওবা, লাইশোন তিনশোনগা মরী লৈননা পোকপদগী শিবা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লিবা থৌরম কয়াশিংদা ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিং অসিগী চন্নফম অসি য়াম্না চাউনা মফম কন্দুনা লাক্লি। অমরোমদা থিএটর, দ্রামা, শুমাং লীলা, খোংজোম পর্ব্ব, পেনা ফমশক, মতম ঈশৈ, মসিগা লোয়ননা ফিল্ম আর্ট হায়বা অসিসু ঐখোয়গী পুন্সিগা শুংথা থাদোক্নদনা লাক্লি। থিএটরনা ঐখোয়গী খুন্নাইগী পুন্সিরোলদা লৌরক্লিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাওই। শুমাং লীলা অমনা খুন্নাই অসিদা লৌরিবা থৌদাংবু নৌহৌননা অমুক পন্নরুবগী করি কান্নবা লৈগনি।



মীওইবনা হিংবদা পুক থন্না চাবদু ঙাক্তনা মপূং ফানা নুংঙাইনা হিংবা ঙমদে। ঐখোয়গী ব়াখল, ঐখোয়গী পুন্সিবু তেকখৎহন্নবা কুম্মৈ মথেল কয়া চংই। ঐখোয় ব়ারবসু, নুংঙাইরবসু, কিরবসু, থেঙ্খাং খুদিংমক্তা ঈশৈ ঙংদবা লৈতে। মীয়াম মাঙদা থোক্তুনা ঈশৈ শকপা ঙমদবদি য়াই, অদুবু ঈশৈ ঙংদবা মীদি লৈতে। টি ভি মমাঙদা ফমদুনা পাউ তাবা খক্তনা অনৌবা পুন্সিগী পাউ ফংবা ঙমদে, মতম মতমগী ওইনা থোরক্লিবা পুথোক্লিবা লীলা দ্রামা ফিল্ম কয়ানা পীবা পাউনা পুন্সিগী, থন্মোয়গী অথুপ্পা কাচিন কোয়া য়ৌনা অনৌবা পাউদম ওইনা পীবা ঙল্লিবনি। অদুননি আর্টিষ্টশিং অসিগা মীয়ামগা য়াম্না নক্না লোয়নরিবা, মখোয়গী ব়াহৈ-ব়াতা, মখোয়গী মওং-মতৌ অমদি শাজৎ লিচৎ কয়া অসিনা মীয়ামগী পুন্সিদা শাথীনা অনৌবা মতৌ অমা তম্নবগী তাঞ্জা পীরিবা, পুন্সিগী মহাও হাপ্লিবা, খ্বাইদগী ফম চাউরে হায়রিবা মীশক অমগা ইচম চম্বা আর্টিষ্ট অমগা, অনীগী খেন্নবা মীরক থোক্লা থোক্লগা খেন্নরক্লিবা। মীয়াম্নদি আর্টিষ্ট অদুনা পীবা পাউজেল অমদি ব়াঙাঙনা অখঙ-অহৈ কয়া অদুনা ঙাঙবদগী হেন্না তানীংই, মখোয়না হায়বনা হেন্না লৌনীংই। কম্পেনি অমনা মহাক্কী অনৌবা প্রদক্সন অমা পুথোকপদা, লৈবাক মীয়ামগী লুচিংবা, নৎত্রগা লোইশঙ অমগী খ্বাইদগী চাউবা ফম পায়বা মীনা এদভর্টাইজ তৌহন্দনা ইচম চম্বা আর্টিষ্ট অমনা প্রদক্সন অদুগা মরী লৈননা ব়াহৈ অমা অনী হায়বদা পোৎ অদু মীয়াম্না পাম্বা হেল্লি, লোয়ননা শেন্দোং লৈনা য়োনবা ঙল্লিবনি।

পূন্নমকশিং অসি ওইদুনসু, হৌজিকমক্কী ওইনদি মালেম অসিদা কোভিদ-১৯ হায়বা লায়না অমনা কন্না লান্দারকপদগী মীয়ামগী পুন্সিদা শাথীনা অহোংবা অমা লাকখ্রে। লাক্লিবা অহোংবশিং অসিগী মনুংদা আর্ট হায়বা শিনফম অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্কীদি তশেংনা খম থেংনা অৱাবা হায়বদু ওইরি। ব়ারিবা অসিগী মনুংদা মণিপুরগী আর্টিষ্ট অসিনা খরগা অমুক হেন্না ব়াবা হেল্লি। মরমদি মীয়াম্না হেন্না খঙনরি, ঐখোয়গী আর্টকী পোখোক নীংথিনা লৈরবসু মসিবু য়োন্নবা কৈথেলদি লৈতে। অদুনা মরম ওইরগা আর্টিকী পোখোক পুথোক্লিবা অমদি আর্টিষ্টশিং অসিগী শেন্থোক লন্বী অসি য়াম্না পিকই। মীয়ামগী মীৎয়েংদা য়াইফথোইবা ওইনা উবগী ব়ানি মখোয় তশেংনা অৱাবা কাঙলূপশিংগী মনুংদা হেন্না ব়াবা ঙাক্তনি। আর্টিষ্টশিং অসি মপান্দগী য়েংবা মতমদা য়াম্না নুংঙাই য়াইফবা অমদি মশা নানবা, মশক মতৌদা মীয়ামগী মীৎয়েংফম ওইনবা অসিনা মরম ওইদুনা মখোয়গী পুন্সিদা অৱাবা হায়বদু থেংনরম্লোইদবোই খন্নে। আর্টিষ্ট পূন্নমক্কী পুন্সি অসি য়াম্না নুংঙাইবা পুন্সি মহিং অমনি হায়না মীয়াম্না খন্নে। পূন্নমকশিং অসি অরানবা ব়াখলনা শাগৎপা ঙাক্তনি।

মণিপুরদা লৈরিবা পার্ফোর্মিং আর্ট খুদিংমক্কী আর্টিষ্টশিং ঙসিদি কোক্তা খূৎ হাপ্নরে। শুমাং লীলা তৌজরগা হিংলিবা আর্টিষ্টশিং ঙসি করি ওইরি। লৈঙাক্লা অমদি কনানা খন্নরি। কুম অমগী য়াওশঙ মমাঙদা অফবা লীলা পুথোক্তুনা মীয়ামদা উৎলগা মখোয়গী প্রদক্ট অদু মীয়ামদা য়েংহন্নবা হোৎনৈ। অফবা থিম, অফবা ব়ারী থিদুনা মীয়ামদা হেন্না নুংঙাইগদবা খনবদগী হৌনা আর্টিষ্টশিং অসিনা কয়াগী মতিক ব়াজবা, শেল কয়া চঙনা মখোয়গী প্রদক্সন অদু পুথোকচরিবা? য়াওশঙ নুমিৎ মরিনি চনবা নুমিত্তগী মণিপুরদা হরাও কুম্মৈ অমদি মীয়াম পূনবা থিংখিবদগী ঙসি ফাওবা অসিদা লীলা অমা ফাওবা উৎখিদ্রে। কদাইদগী মখোয়গী শেন্থোক লন্বী লৈগনি? মদুনা হিংজরিবা আর্টিষ্টশিং করি ওইরমগনি। মণিপুরী মতম ঈশৈ শকচদুনা য়ূম পুজরিবশিংগী মফমদা কয়াদা শাথীনা অৱাবা অমা নংহল্লবা? ঈশৈ শকপতা নত্তনা ওকেষ্ট্রেল কাঙবু, সাওন্দ তৌজরিবা কাঙবু, লাইট পীরিবা কাঙবু খুদিংমক্তা শাথীনা অৱাবা ওইহল্লে। তোঙান-তোঙানবা শৈশক্কী আর্টিষ্টশিং লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈননা শকচ-শোঞ্জরিবা কয়া অমগী পুন্সিদসু শাথীনা অৱাবা ওইহল্লে। মসিদা নত্তনা ফিল্মগী কাঙলূপ্তা লৈরিবশিং - এক্টর/দিরেক্টর/এদিটর/সিনেমাটোগ্রাফর/মেক-অপ আর্টিষ্ট/ইক্বিপমেন্ট শাল্লিবা কাঙবুশিং/ফিল্মগী থবক শূজরিবশিং লোয়ননা প্রদ্যুসরশিং ঙসিদি করি ওইরি? মার্কেট লৈতে হায়বা খঙনা খঙনা পামজবদগী ফিল্মবু নুংশিবদগী প্রদ্যুসর ওইজরিবা কাঙবুশিংনা য়াম্না ব়ানা মখোয়গী ফিল্মশিং অদু নম্বা লোইশিল্লে, এদিটিং তৌবগী থাক্তা লৈরিবা, নম্বা লোইগদৌরবা, দব্বিং তৌরিবা, রিলিজিং তৌবগী নুমিৎ লেপ্তুনা লৈখ্রবশিং হৌজিক কদাইদা উত্তুনা মখোয়না পুথোকখিবা শেনফমশিং হঞ্জিন্নবা করি পান্থৈ থিবা ঙমগনি? ফনা কুইনা কোভিদ হায়বসি মীওইবগী মরক্তা নৈশিন্দুনা লৈখিগদৌরি। পাক হল্লোইদৌরি। সোসল দিষ্টেন্সিং ফনা কুইনা ঙাকপা তারি, অদু ওইরবদি মীয়াম পূন্না য়েংনবগী করি তাঞ্জা লাক্কদৌরি। হোলদসু উৎপা য়ারোইদবা, মীয়াম তিনবসু য়াররোইদবা অসিদা কনানা আর্টিষ্টশিং অসি নেক্তুনা অনৌবা ফিল্ম নম্নবা থৌরাং তৌরক্কদগে? হোয় মার্কেটিংগী মতাং অসি ফিল্মগী লূপতা লৈরিবশিংনা হৌজিক অনৌবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা খন্নবা মতম য়ৌরে। মার্কেটিংগী লন্বীসু অদুম লৈগনি। লন্বীদু ফংলবদি খরগী মখৈ চত্থবা য়াখিগনি। লন্বী অদু থিনবা পূন্না খন্ন-নৈনবা অমদি মথৌ তারি। মসিনা অতোপ্পা ব়াফম অমা ওইনা থমখিসি।

ব়ারিবা পূন্নমকশিং অসি ঙসিদি কনানসু উবীদবগুম তৌরি। মীয়াম মাঙদা থোক্তুনা পার্ফোর্মেন্স পীবা মতমদা খূবাক খুদুনা হরাওনখিবা কয়া ঙসিদি আর্টিষ্টশিং অসিনা হিংনবগী পান্থৈ লৈরক্ত্রবা মতম অসিদা কনানা মখোয়গীদমক খূবাক খুবীরি? মখোয়গী অৱাবদা কনানা মতেং পাংবীরি? আর্টিষ্টশিং অসিনা অসি য়ৌনা ব়াররুবা মতম অসিদা মরী লৈনবশিংগী মায়কৈদগী করিনো খরা খন্নবা চুমগনি। লোয়ননা পার্ফোর্মিং আর্টস খুদিংগী লৈরিবা এপেক্স বোদিশিং অসিনসু অকূপ্পা মরোল খন্নবা, ময়াম তাশিন্নবা মতম য়ৌরে। অদুগা লোয়ননা করিনো খরা মীয়ামদা অমদি মরী লৈনবশিংদা থম্ফম থোকই। লৈবাক্কী ওইনা লৈরিবা অথিংবা অসিসু থুগাইবা য়াদে। অদুগা ব়ারিবা, নারিবা পূন্নমকশিং অসিবুসু করম্না খজিক্তং শাফবা য়াবা কাঙলোন অমা শেমগদগে হায়বা অসিসু খন্নফম থোকই।



## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ব়াংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৭।০৫।২০২০ ইং, নোংমাইজিং; নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.৪৪ ফাওবা কালেনগী ২৫ নি পাল্লি, মতুং ২৬ নি পাল্লনি।

**মেষ :** অয়ুক অঙনবদা অফবা খোঙশাল লৈগনি - থেংথরগা থৌ পাংলদি চাদিং হেনগনি। অয়েৎপা লৈরম্বা ফরনি, পাউ নুংঙাইবা তাগনি। লৌশিং থোকপদি ব়াৎলি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - য়াকা য়েংনা চৎলু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**বৃষ :** থবক পাংবদা নত্তনা শেল-থুমগী লম্দা চাউনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। পূক্নিং পেন্না নুংঙাইজবসু লৈগনি। অদুবু মরুপ্না তাথীবা অমদি পাউ নুংঙাইতবসু লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** মীপাইরম্বা কোকচদুনা অনীংবা থবক পাংবা ঙম্লগনি। মরম চাদনা চাদিং তৌগনি অদুনা অনম তানগনু অমদি লৈঙাক্কী লম্দা তপথৌ। অদুবু কিবদি লৈগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইবা ব়াৎলি অমদি পংখন্দা খঞ্জিনবদি তৌগনু। শেল লৈফম অমদি মীংচৎকী লম্দদি চাউনা মায় পাক্কনি। নচা ননাইগী লম্দা ব়াগনি-ফিংবসু য়াদে।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হায়জবা তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা নুমিৎনি, ব়াখলসু লৈগনি অমদি হোয়া ফবগীসু কান্নবা লৈগনি। অৱাবা খরা মায়োক্নরবসু কান্নবা অমদি নুংঙাইবসু ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কন্যা :** নীংবা শোইদনা থুংগনি, অনৌবা ব়াখল লাক্কনি, নচাক নরল চাওখৎকনি অমদি অঙম্বনা চানবীগনি। অদুবু অনম তানবা অমদি লৈঙাক্কী লম্দা মায়থীগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** মৈনা তাথীগনি, অনম তানগনু অমদি মতাং চাদবনা তপথৌ-তুংদা কান্নগনি। শোক-পনবা য়াবা থৌ পাংগনু। নীংবদি থুংগনি, মীচং লৈ, শেল-থুমগী কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ /চিনি অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** হেন্না অশা চাওবা মতম মাঙগনি, অশাওবা ফাথদ্রবা মরুপ মপাংগা খৎন-চৈনবা নংবা য়াই অমদি পংশিন্নৌ। য়েৎনবদি কোকচদুনা নক্লবগী মতেং ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ব়া ঙাঙবা লুই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**ধনু :** অঙনবদা নীংবা থুংবা অমদি ওইজ-ওইথক ফংগদবা অফবা খোঙশাল লৈ। অথেংবদা অঙম্বনা চানবীগনি অমদি মীনা লাকচবা ঙমলোই। পাউদি নুংঙাইতে।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মকর :** লাইবক ফরনি, ব়াখল থোক্লনি, পাউ নুংঙাইগনি-অকিবা মাঙখিনি। মতাং চাদনা ইচং থৌরদি অমদি লৈঙাক্কী লম্দা অনম তাল্লদি অচানবা কাইনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কুম্ভ :** অঙনবদা নীংবা মপা চাগনি, মরুপ অমদি মীয়াম্না লুনা চান্না তৌবিগনি অমদি মীয়াম্না পাক্নবা থবক পাংবা কান্নগনি। নথক থোংবনা নরল মৎপিবা য়াবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ব়াখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মীন :** মীংচৎ ফংই, শেল চংগনি, য়েৎনবদা মায় পাক্কনি অমদি ব়াখল থোক্কনি। অরুবা থবক পাংনিংবা লৈরদি চিংনবা লৈতনা পাংবা য়াগনি। পাউদি নুংঙাইতে।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




Title: Indian Flag
By: Zoha A. Binish
Class: I Sec: A1 Roll No. 9
School: MI Academy, Langthabal Kunja




Title: A Nature Creature
By: Yumnam Riya
Class: V Sec: A Roll No. 34
School: Vale Academy




Title: Garden
By: Tristy Thokchom
Class: II Sec: D Roll No. 37
School: Kids' Foundation




Title: Ice Cream
By: Th. Christina
Class: II Sec: B Roll No. 11
School: Smart Universal Academy






Title: Khongjom War Memorial
By: Saabiq Ahmed
Class: IV Sec: A Roll No. 47
School: MI Academy, Langthabal Kunja




Title: Dragon
By: Loyanganba Khuman
Class: II Sec: D Roll No. 22
School: Maria Montessori Senior Secondary School

Title: Frock
By: Lanchenbi Y
Class: II Sec: Roll No.
School: Khuman Maheikol




Title: A Princess
By: Khonbisana
Class: II Sec: B Roll No. 51
School: Kids' Foundation




Title: Sunset
By: Kh. Robinson
Class: IV Sec: C Roll No. 10
School: KV No. 1, Lamphelpat




Title: Night Scene
By: Kh. Jackson
Class: IV Sec: C Roll No. 42
School: KV No. 1 Lamphelpat




Title: Barbie Princess
By: G. Valerie Devi
Class: IV Sec: A Roll No. 23
School: Kids' Foundation




Title: Fish
By: Bijendra
Class: 1 Sec: Topaz Roll No. 2
School: Kids' Foundation